# কুমজা ১৯৯৮দা বেঙ্কোক্তা তৌখিবা ১৩শুবা এসিয়ন গেমসতগী ইন্দিয়াগী নুপী হোক্কি টিমনা লুপাগী মেদল লৌবা ঙল্লকখি



ৱাইখোম সুরজলাতা
ইন্টর্নেসনল হোক্কি প্লেয়র

(ঙরাংগী মখা)

পুনেদা তৌখিবা কোচিং কেম্পতুদগী খনগৎলকপা ঐখোয় মঙাসি বেঙ্গলোর তানা অমুক পুরকখি। অঙাংগা ওইবনে, হোক্কিগী মরমদা য়াম্না কন্না খঙবসু ওইদ্রিবা মতমনিনা বেঙ্গলোরদনা করি অমুক তৌরমদোইনো হায়না খনখি। অদুগা ঐখোয় মঙাগী মনুংদা রেবিকাসু য়াওবনিনা মদুগীদি ঐহাক থোইদোক্না খল্লুদ্রে। মতমদুদা হিন্দিসু ঙাংবা ঙমদ্রিবনিনা ঐখোয় মঙাসি ৱারী ৱাতাইসু কয়া শান্নখিদে। অদুবু নুংঙাইবা অমনা বেঙ্গলোর য়ৌবা মতমদদি ইন্দিয়া কেম্পতা ইচে মনোরামা, ইচে তিঙ্গোংলৈমা, ইচে সোবিতা (ইচে ইচল) মখোয় লোয়না লৈরমখি। মফমদুদা ঐখোয় মঙামক মতম খরা (সিনিয়র মরক্তুদা) ট্রেনিং য়াওহনখি। বেঙ্গলোরদা ট্রেনিং তৌরম্লিবদুসু প্লেয়র ফনা য়াম্মী। কোচনা সর কৌসিক্তা, সর দেৱানগনা ওইরমখি। হায়রিবা কোচিং কেম্পতুদগী মখোয় ৩০ মুক খনগৎলগা য়ু এস এদা টুর অমা চৎখি। রেবিকাগা ঐখোয় অনীদি মণিপুরদা অমুক থোরকখি।


মণিপুরদা হল্লক্লগা ঐহাক গুৱাহাতিদা তৌখিবা সব জুনিয়রগী নেসনল হোক্কি চেম্পিয়নশিপ্তা টিম কেপ্টেন ওইরগা শান্নবা চৎখি। মদুগী ফাইনেলদা পেপসুগা ঐখোয়গা তাখি। ফাইনেল শান্নগদবা নুমিৎতুগী নোংদু অঙকপনি। নোং কন্না তাবদগী ফাইনেল শান্নবা য়াখিদে। অদুদগী জোইন্ট ৱিন্নর লাউথোরকখি। অদুবু কপ্পু অহানবা ওইনা কনাদা থমগদগে খল্লগা থৱায় নুংঙাইতনা অদুম কপখি। মদুদা টিম পুদুনা চৎখিবা ওজা মনিহারনা ঐবু থেন্দ্বীখি। গুৱাহাটিদগী হল্লকপা নোংঙানবগা ইচে মনোরামা গোস্বামীগা ঐহাক্না চানি দগরদা তৌখিবা ইন্দিয়া কেম্প অমদা অমুক শরুক য়ারুনবা চৎমীন্নখি।

চান্দিগরদা তৌখিবা কেম্পসিদসু প্লেয়র ফনা য়ামখি। ইন্দিয়াগী ওইনা টিম এ অমসুং টিম বি খাইদোক্লা অনী শেমগদৌরিবনি হায়। অমরোমদা, ঐগীদি শান্নরকপা চহী অহুম-মরি শুরবসু ইশাগী ওইনা হোক্কি অমত্তা লৈত্রি। মতম মতমগী ওইনা ক্লবনা, সাইনা, এসোসিএসননা পীবা হোক্কি ষ্টিকশিং পায়রগা শান্নরি। ইশাগী ওইনা হোক্কি অমা লৈজদবগী কেম্পনচিংবা কৌরকপদসু

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
**হোক্কিদা মীৎয়েং অমা**

হায়বা খন্নবা টোস তৌখি। মদুদা মখোয়না টোস ঙমখি। অদুদগী ৱিন্নর ট্রেফিদু পেপসু টিম্না হান্না পুরগনি হায়না ওফিসল কাংবুনা লাউথোরকখি। মদুদা ঐনা মখোয়না ঙমখ্রবনি খল্লগা মখোল থোক্লা কপথোকখি। হায়রিবা মতমদুদা ঐহাক জোইন্ট ৱিন্নর হায়বসিফাওবা মুন্না খঙদে। মখোয়না ঙল্লগা পুখ্রবনি পুক্নিং অদুম ৱাবদি লৈখি। চান্দিগর চৎপা মতমসিদা হোক্কি পায়নিংঙাই লৈতবগী থৱায় ৱাবা অহিং অমসু য়াওখি। হায়রিবা নুমিৎতুগী নুমিদাংদা ইচে সোবিতা (ইচে ইচল)সিসু চান্দিগরদা লাকখি। মতমদুদা মহাক্তী এয়র ইন্দিয়াদা লৈরে। ঐগী হোক্কি লৈতবগী ৱারী শারুবদা ইচে ইচলনা ঐঙোন্দা হোক্কিষ্টিক অমা পীবিরকখি।





মদু ঐগী পুন্সিদা শুকাউ কাউবা ঙল্লরোইদবা খ্বাইদগী নুংঙাইবা নুমিৎ অমনি। নুমিৎতুদা ঐনা হরাওবসিদি করি হায়গনি। ঐগীসু ইশাগী হোক্কিষ্টিক অমদি লৈরে খল্লগা য়াম্না নুংঙাইজখি। ইচে ইচলনা পীবিরকপা হোক্কিষ্টিক অদু পায়জরগা মতম খরা শান্নজখি। অদুদগী কোন্নবুদি সিনিয়র ইচেশিংনা সর কৌসিক্তা হায়বীরগা ঐগী হোক্কি অমা পীহল্লকখি। অদুমাইনা মথং মথং শান্নজরকখি। লোনগী প্রোব্লেমসু লৈবনিনা মতমদুদদি করিগুম্বা অমত্তা হায়বসু ঙল্লকখিদে। শান্নবা হেক হৌরকপগা ইন্দিয়া কেম্পকসু কৌশিল্লকখ্রবনিনা ইশাসি ইতাও তাওনা লাকখি। সুম শান্নজরকপদগী হিন্দি লোনগা ঙাংবা ঙল্লকপা, ইমান্নবীশিং মথং মথং খঙনরকপা, হোক্কি করম্না শান্নগনি হায়বা খঙলকপদগীদি ইশাদা কনফিদেন্সসু ফজনা লৈরকখি। শান্নবা হেক হৌরকপদগী হৌনা ইন্দিয়াগী লৈরম্লিবা কোচশিংনসু ঐবু লুনা তৌবীরকখি। অদুগা কুমজা ১৯৯৪গী মতমসিদদি লোন ফজনা ঙাংবগা লোয়ননা কোচশিংগসু পাউ ফাওনবা ঙল্লে। ঐনা খঙনিংবা কয়া হংজবদসু প্রোব্লেম ওইদ্রে। কুমজা ১৯৯৪ সিদা ঐহাক ইন্টর্নেসনল থাক্তা শান্নবসু ঙল্লকখ্রে। ঐগী অহানবা ইন্টর্নেসনলসি ইন্দিয়াগী অমৃতসরদা কুমজা ১৯৯৪দা তৌখিবা ইন্দিরা গান্ধি গোল্ড কপ অসিনা ওইখি। মসিদা ইন্দিয়া টিম্না সিলভর মেদল ফংবা ঙল্লকখি। সিগী হেক মথংদসু ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়া-ওষ্ট্রেলিয়া টেষ্ট মেচতসু ঐহাক ইন্দিয়া টিমদা য়াওজদুনা শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৯৪সিদি চহী হেক হৌরকপদগী মথং মথং শুকলেপ লেপ্তুনা য়ুরোপ টুর টেষ্ট সেরিজশিং, আইয়রলেন্দ, জর্মনি, বেলজিয়ম, ওষ্ট্রেলিয়া, মোস্কোনচিংবদা চৎচরকখি। লোয়ননা কুমজা ১৯৯৪দা হিরোসিমাদা তৌখিবা '১২শুবা এসিয়ন গেমস'তা ঐহাক ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। হোক্কি শান্নরোয় অমা ওইনা ঐহাক্না হোক্কি শান্নজরিঙৈদা এসিয়ন গেমস অহুম য়াওবা ঙমজখি। অহানবা হিরোসিমাদা চৎচবা মতমসিদা ঐখোয় ফোর্থ পোজিসন তারগা হল্লকখি। অনীরকশুবা ওইনা কুমজা ১৯৯৮দা বেঙ্কোক্তা তৌখিবা ১৩শুবা এসিয়ন গেমস'তদি সিলভর মেদল ফংজখি। অদুগা কুমজা ২০০২দা বুসান্দা পাঙথোকখিবা '১৪শুবা এসিয়ন গেমস'তসু ইন্দিয়া টিম ফোর্থ পোজিসন তারকখি। বুসান এসিয়ন গেমসসিদদি ঐহাক্না ইন্দিয়া টিমগী কেপ্টেনসু ওইজখি।

...মথং মথং...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৫



১) মহাক ২০শুবা সেঞ্চুরিগী অহানবা শরুক্কী ওইনদি খ্বাইদগী ফবা এথলেটনি হায়না খঙনখি। মহাক কনানো?
২) মালেমগী করম্বা মফমদা SENIOR CROSS COUNTRY RACE অসি অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবগে?
৩) ওলিম্পিক্কী চেরিওট লমজেলদা খৃষ্ট মমাং ৪৬৮তা মায় পাকখিবা নুপা অদু কনানো?
৪) খুমনগী চুম্বারোঙগা চায়নখিবা অকনবা মোইরাং মচা অদু কনানো?
৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১১৪গী পাউখুম

১) ঐহাক ফুটবোলগী কোচ অমনি। ঐহাক মঙোন্দগী ফুট ১২ রোম লাপ্পা লৈ। ঐখোয় অনীগী মরক্তা ফুটবোল বুট ময়াম অমা লৈরম্মী। ঐনা মঙোন্দা চঙশিল্লম্মী মদুদা ঐনা বুট অমা কন্না শাওদুনা কাওরম্মী। মদুনা মহাক্কী য়েৎথংবা পীশুমদা পাল্লম্মী। পীশুমদগী ঈ তারকখি। ঐ কনানো?
: ALEX FERGUSON

২) মহাক ওলিম্পিক্তা লুপাগী মেদল অমা ফংখ্রবা মতুংদা মহাক্কী লৈবাক্কী পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর চহী ৩০ হেন্না ওইরম্মী। মহাক কনানো? : PHILIP JOHN NOEL-BAKER

৩) য়ু এস এনা বেলজিয়মবু ফাইনেলদা পাঞ্জল ১৩-১১দা মায়থিবা পীদুনা ওলিম্পিক মশান্না অমদা চেম্পিয়ন ওইখি। করম্বা সহরদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা থৌদোক অসি থোকখিবনো?
: ANTWERP, BELGIUM 1920

৪) ঐ ফুটবোল য়াম্না পামজৈ, ঐবু ফুটবোল শান্নবগীদমক মালেম অসিনা নুংশিবি। ঐ ফিজিকেল এদ্যুকেসনদা দিগ্রি অমা ফংবা ঙল্লে। ঐগী দিগ্রি অদু ফুটবোল কোচ ওইনবা লৌবা দিগ্রি নত্তে হায়না ঐনা মীয়ামদা হায়জখি। দিগ্রি অসি ফুটবোলগী ফিজিকেল ফিটনেসকী ওজা অমনা পাউতাক পীবদগী লৌখিবনি। ঐ কনানো? : PELE

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? : GEET SETHI

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১১৪ গী পাউখুম চুম্না থাবীরকখিবশিংদি**

| | | | |
|---|---|---|---|
| ১) | মাইস্নাম বুধা সিংহ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকাই | – ১,২,৩,৪,৫ | (৫) |
| ২) | অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, তাওথোং অয়ুংবা লমশাং | – ১,২,৪,৫ | (৪) |

(অচুম্বা পাউখুমগী ৱাহং নম্বর, ব্রেকেট মনুংদা পীজরি)

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ -১১৪ গী ৱিন্নর**

মাইস্নাম বুধা সিংহ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকাই

হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ১১৪গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম মার্চ ২২, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

# শুটিং ওলিম্পিক ট্রায়লদা ইন্দিয়াগী স্রিয়া অগরৱালনা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফলদা মকোক ওইখ্রে



ন্যু দিল্লি, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

নেসনল রাইফল এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)গী মায়কৈদগী হৌজিক মালেমগী ওইনা কোরোনাভাইরসনা তোঙান তোঙানবা ওলিম্পিক ক্বালিফাইং টুর্নামেন্টসিং অমদি শুটিং ৱর্ল্ড কপ য়ৈথোকখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ওইবা ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোকখ্রে। নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা মকোক ওইখ্রে।

ঙসি ন্যু দিল্লিগী টুগলবাদতা লৈবা ডাঃ কর্নি সিংহ শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী শুটরশিংগী ওইবা ওলিম্পিক ট্রায়ল সেলেক্সন অদু পাঙথোকপদা স্রিয়া অগরৱালনা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল কম্পিটিসন্দা পুন্না পোইন্ট ৬৩১.২ কাপ্পুনা মকোক ওইবা ঙমখিবনি।

এন আর এ আইনা মিনিমম ক্বালিফিকেসন স্কোর লৈবা শুটরশিং য়াওনা ট্রায়ল অদু পাঙথোকপনি। স্রিয়ানা মকোক ওইরগা ইভেন্ট অদুদা ইলাভেনিল বলারিভননা পোইন্ট ৬২৯.৯ কাপ্পগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। অদুগা অঞ্জুম মোদগিলনা পোইন্ট ৬২৬.৯ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি। অদুবু ইভেন্ট অদুদা মমিং লৈরবী মেহুলি ঘোস অমসুং অপুর্ভি চান্দেবা মথংশিংনা পোইন্ট ৬২৬.৫ অমদি ৬২৪.৪ ফংলগা ৪শুবা অমসুং ৫শুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা দিপক কুমারনা পোইন্ট ৬৩১.১ ফংদুনা কাংলুপ অদুগী মকোক ওইখি। অমরোমদা পনকজনা পোইন্ট ৬২৮.৮ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন, সাহু টুসার মানেনা পোইন্ট ৬২৮.৫ ফংলগা অহুমশুবা লোয়ননা সন্দিপ সিংহ অমসুং দিবয়ান্স সিংহ পনৱরনা মথংশিংনা পোইন্ট ৬২৭.৭ অমসুং ৬২৬.১ ফংলগা ৪শুবা অমসুং ৫শুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী ট্রেপ ইভেন্টতা কিনান সেনাইনা পোইন্ট ৭১ ফংলগা মকোক ওইখি। পৃথিবিরাজ তোন্দাইমানসু পোইন্ট ৭১ ফংলগা অনীশুবা পোজিসন তাখি। মানবঅদিত্য সিংহ রাথোরনা পোইন্ট ৭০ ফংলগা ৩শুবা অদুগা জুংসের সিংহ ভর্কনা পোইন্ট ৬৮ ফংলগা ৪শুবা অদুগা মানবজিৎ সিংহ রাথোরনা সান্ধুনা পোইন্ট ৬৬ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী স্কিট ইভেন্টতা অঙগদ ভির সিংহ বজৱানা পোইন্ট ৭৪ ফংলগা মকোক ওইখি। গুরজোট সিংহনা পোইন্ট ৭৩ ফংলগা অনীশুবা লোয়ননা অরমিন্দর সিংহ শিমানা পোইন্ট ৭২ ফংলগা ৩শুবা অদুগা মাইরাজ অহমদ খাননা পোইন্ট ৭১ ফংলগা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী মিটর ২৫গা স্পোর্টস পিস্টোল ইভেন্টতা রাহি সরনোবটনা পোইন্ট ৫৮৩ ফংদুনা মকোক ওইখি। চিনকি যাদবনা পোইন্ট ৫৭৯ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসন, পোইন্ট ৫৭৮ ফংলগা মানু ভাকরনা ৩শুবা পোজিসন ফংখি। লোয়ননা অনু রাজ সিংহনা পোইন্ট ৫৭৬ ফংদুনা ৪শুবা অদুগা অভিদন্য পাটিলনা পোইন্ট ৫৭০ ফংলগা ৫শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী স্কিট ইভেন্টতা স্রিয়াসি সিংহনা পোইন্ট ৬৯ ফংলগা মকোক ওইখি, কৃটি গুপ্তনা পোইন্ট ৬৪ ফংলগা ২শুবা, সিমা তোমরনা পোইন্ট ৬৩ ফংলগা ৩শুবা, পোইন্ট ৬২ ফংলগা রাজেশ্বরি কুমারিনা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

নুপীগী স্কিট ইভেন্টতা পোইন্ট ৬৯ ফংলগা দর্সনা রাথোরনা অহানবা পোজিসন তাখি। পোইন্ট ৬৮দা অরিবা খাননা অনীশুবা পোজিসন, পোইন্ট ৬৬ ফংলগা গানেমট সেখোননা ৩শুবা পোজিসন তাখি অদুগা জসমিন কোরনা পোইন্ট ৬৫ ফংলগা ৪শুবা পোজিসন তাখি।

# এন্টোনিয়ো হবাসনা পুনশিল্লবা এটলেটিকো দি কোলকতা অমসুং মোহন বগান টিমগী কোচ ওইরগনি

কোলকতা, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

৮লকশুবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী টাইটল হন্দক্তা লৌদুনা পুৱারীদা এ টি কেনা অহুমশুবা টাইটল ফংখিবগা লোয়ননা ক্লব অসিগী মপু সঞ্জিব গিয়োঙ্কানা ঙরাং লাউথোকখিবদা মথংগী সিজনদগী মোহন বগানগা পুনশিল্লগদবা টিম অসিগী কোচ হৌজিক হৌজিক ওইরিবা এন্টোনিয়ো হবাসনা অদুমক ওইরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

হবাসনা এ টি কে-মোহন বগানগী অপুনবা টিমগী কোচ ওইগদবা মরম্না রাউন্দ মরি ৱাৎলিঙৈদা মোহন বাগনগী টিমবু হিরো আই লীগকী টাইটল ফংহনবা ঙমখ্রবা কোচ কিবু বিকুনা কোচ ওইবগী থৌদাং লোইশিল্লগনি। অদুবু গিয়োঙ্কানা মখা তারকপদা বিকুনাসু অফবা কোচ অমনি। মহাক্কী কোন্ট্রেক্ট লাক্লিবা সিজন অসিদা লোইখিবনা মরম ওইদুনা মখা তাবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু য়েংসি হায়খি।



হবাসনা কোচ ওইদুনা এ টি কেনা ২০১৯-২০ সিজনগী ওইনা হিরো আই এস এলগী ফাইনেল মেচতা চেন্নাইন এফ সীবু পাঞ্জল ৩-১দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি। সিজন অসিগী টাইটল ফংখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন সুপর লীগকী খ্বাইদগী মায় পাকপা টিম অদু ওইরি।

এ টি কেগী মপু সঞ্জিব গিয়োঙ্কানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মায় পাকপগীদমক চাওথোকপগী ৱাফম লৈতে। অফবা শান্নরোয় কয়া য়াওবা অমদি অফবা কোচিংগী য়ুনিট অমা লৈবা মরম্না টিম অসিনা মায় পাকপা ঙমখিবনি হায়খি।

টিম অদুগী শান্নরোয় অমখক খন্দোক্তুনা য়াম্না ফজৈ হায়বা ৱাফম লৈতে। অপুনবা টিমনা মায় পাক্লকপগীদমক শান্নরোয় খুদিং অমদি কোচিং ষ্টাফশিংবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না পনখিবা শান্নরোয়শিংগী মনুংদা নহা ওইরিবা সুমিত রাথি, জয়স রানে অমদি প্রিতম কোতালগী থৌদাংশিং অদু নীংশিংখি। লোয়ননা গোল কিপ্পর অরিন্দম ভত্তচারিয়না আই এস এলগী সেমীফাইনেল অমসুং ফাইনেল মেচতা উৎখিবা মশান্না অদু মহাক্কী মায়কৈদগী খ্বাইদগী ফজবা খাকচিন্দুনা লৈরম্বা অদু উবা ফংখি।

পুনশিল্লবা এ টি কে অমসুং মোহন বগানগী শান্নরোয়শিং জুন ১দা শেন্নগনি। চহী ১০০ হেল্লবা মোহন বগান ফুটবোল ক্লব অমদি এ টি কেগী অপুনবা টিম অদুদা লাক্কদৌরিবা সিজনগীদমক এফ সী গোৱাদগী মনবির সিংহ অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সীদগী সুবাসিস বোস টিম অসিদা নৌনা শরুক য়ারগনি।

# বি সী সী আইনা ওফিস থোঙ লোনখ্রে, শীন্মীশিং ময়ুম ময়ুমদগী থবক তৌনবা খঙহনখ্রে

মুম্বাই, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই)না মুম্বাইদা লৈবা ওফিস হেদ ক্বার্টর কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা মরম ওইদুনা থোঙ লোনশিনখ্রে। মফম অদুদা থবক তৌরিবা মীওইশিং ময়ুম ময়ুমদগী থবক শুনবা খঙহনখ্রে।



ক্রিকেটকী ওইবা থবক থৌরমশিং মাংজৌননা অনৌবা নোটিস অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা সস্পেন্দ তৌখ্রবনি। বোর্দ অসিগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা মুম্বাইদগী ৱাংখেদি ষ্টেদিয়মদা লৈবা বি সী সী আইগী হেদ ক্বার্টর অদু কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎতগী ঙাকথোক্নবগী খোঙথাং ওইনা লৌখৎলকপা থবক্নি।

ঙসি ফাওবদা ইন্দিয়াদা পুন্না কোরোনাভাইরস ইনফেক্ট তৌরবা মীওই ১২৯শুখ্রে লোয়ননা মীওই ২ লায়না অসিনা শীহনখ্রবনি। চাইনদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরস মালেমগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা পুন্না মীওই ১,৭৯,৫৮০ ইনফেক্ট তৌহনখ্রে। মদুগী মনুংদা মীওই ৭,০৬৮ শীহনখ্রবনি।

লায়না লায়চৎ অসিনা মালেম শীনবা থুংনা শান্নবগী লমদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা ইভেন্ট কয়া অমা সস্পেন্দ তৌবা নত্রগা য়ৈথোকপগী থবক থৌরমশিং লৌখৎলক্লি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়া অমসুং সাউথ অফ্রিকাগী ক্রিকেট সেরিজ য়ৈথোকখ্রবনি। লোয়ননা ওষ্ট্রেলিয়া অমদি ন্যু জিলেন্দগী ৱান দে মেচ অমা শান্নগনি হায়না তৌরম্বা অদুসু য়ৈথোকখি।

টি-২০গী ওইনা ইন্দিয়াগী খ্বাইদগী মমিং লৈরবা টুর্নামেন্ট ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ থা অসিগী ২৯দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু লায়না লায়চৎ অসিনা মরম ওইদুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা এপ্রিল ১৫দা পাঙথোক্কনি হায়না পান্নরি। পনবা য়াবদি, চাইনাদা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা এসিয়া ওসিনিয়া ওলিম্পিক বোক্সিং ক্বালিফায়র জের্দানদা ওইনা পাঙথোকখি।

# ইন্দিয়াগী বিশ্বানথন অনন্দ ইন্দিয়াদা হল্লকপা য়াদবনা জর্মনিদা কমেন্টেটর ওইনা লৈথগদৌরি

চেন্নাই, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মীরমদগী চঙলকপা মীওইশিংদা অথিংবা থল্লকপদগী জর্মনিদা লৈরিবা ৱর্ল্ড চেছ চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দ ঙসি চেন্নাইদা হল্লক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু য়ৈথদুনা মফম অদুদা ফিদে কেন্দিদেটস টুর্নামেন্টকী কমেন্টেটর ওইবগী অহানবা থবক অদু পায়খৎলগনি।



ৱাফম অসি বিশ্বানথন অনন্দগী লোয়নবী অরুননা পাউগী এজেন্সী অমদা ফোঙদোরকপনি। অনন্দনা জর্মনিদা পাঙথোকপা বুন্দেসলিগা চেছ লীগ শরুক য়ারুরবা মতুং ঙসি চেন্নাইদা হল্লক্কবা তৌরম্বনি। অদুবু মহাক জর্মনিগী ফ্রেঙ্কফর্ট সিটি মনাক্তা লৈথদুনা কমেন্টেটরগী থৌদাং অদু লৌগদৌরি। মহাক্কী কমেন্টেটর ওইগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অদুগী চেম্পিয়ননা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মেগনস কার্লসনগী চেলেঞ্জর ওইগদৌরিবনি।

# ওলিম্পিক্কী মৈরা মী অমত্তা তিন্দবা এথেমস ষ্টেদিয়মদা খুৎশিন্নগৌরি

এথেন্স, মার্চ ১৬ (এজেন্সী):

টোকিও ওলিম্পিক গেমসকীদমক গ্রিসকী কোনুং এথেন্সতা লৈবা এথেন্স ষ্টেদিয়মদা মৈরা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদু মী অমত্তা তিন্দনা পাঙথোক্লগনি হায়না গ্রিক ওলিম্পিক কম্মিতিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোরোনাভাইরস লায়না লায়চৎনা মরম ওইরগা কম্মিতি অসিনা শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোক্কদৌরিবা মৈরা খুৎশিন্নবগী থৌরম অদু য়াওননবগীদমক এক্রিদিটেসন কার্দশিং পীখিবা অদু চৎনররোই হায়রি।



নীংশিংবা য়াই, কুমজা ১৮৯৬তা এথেন্স ষ্টেদিয়মদা ইহান হানবা মোর্দন ওলিম্পিক্স পাঙথোকখিবনি। কম্মিতি অসিনসু হৌখিবা চয়োলদা ওলিম্পিক্কী টোর্স রিলে অদু স্পার্টা সিটিদা মী য়াম্না পুল্লকপদগী কেন্সেল তৌখি। মী পুনবা মফমশিং পুম্নমক থিংজিন্দুনা কোরোনাভাইরস শন্দকপা থিংনবা হোৎনরি।